# ‘লানসিগী ৱারোইশিন্দা গভর্ণরগী থৌদাং’



## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

## উশম ধরমেন্দ্র

খঙহৌদে মতমদি অসুম-অসুম হৌজিনখি। নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংগী লান্দাদা মীতৈ মীচম-মীয়াম্না অৱা চৈথেং খাঙলকপা চহী অনী শুরকপগী কাংশি মখোলদি থম্মোয় কায়না য়েরক্লনি। নার্কো কুকি টেররিষ্ট খুজোক খরনা চহী লিশীং অহুম হেনবগী পুৱারী লৈজরবা মীতৈ মীয়াম্বু ফোঙনা শীংনবনি। ফোঙনা শীংনরিবসিগী মরমসু লৈফম থোকই। করিদি ওইফম থোকই। মখোয় মপাঙ্গল কল্লে, শক্তি লৈরে সিনি। মখোয়বু শক্তি লৈহল্লিবা কাঙবুদু কনা-কনানো। ঐখোয় পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফম্নি। মীতৈ ফূরুপ্না মরাল লৈতে খঙলবসু ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না খঙশিন-উশিন্নদনা লৈরি। মালেমগী মিলিটরিগী শক্তিদা মরিশুবদা লৈরিবনি হায়রিবা ইন্দিয়ানা নার্কো কুকি টেররিষ্ট খুজোক খরবু লাকশিন্দনা তৌনীংবতা তৌহন্দুনা থল্লিবসিগী মরুমদা করি অরোনবা এজেন্দা লৈবনো। মসিনি মীতৈনা খোইরাং-খোইশাওনা হংদুনা লৈরিবসি। নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী শাংলবা চহী ৭৮ চঙশিল্লকপগী চহী অসিদা করম্বা ইন্দিয়াগী মফম অমদা অসুক শাংবা ঈরাং কাঙলূপ অনীগী মরক্তা থোকহন্দুনা থমখিবগে। ৱাহংসিনি নৌহৌনা অমুক হংলক্লিবা নাগা-কুকি অনীগী লানগী মতুংদা।

নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদগী লানগী নোংমৈ, বোম কাপথরকপা হেক লেপ্পা মতমদা থোক্লিবা লানসি শান্তি লাক্লবোই, মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবোই মনীংই। অদুবু লানগী ৱারোইশিন অমা ৱাখৈনবা লৈতবনিনা অমুক হেক্তা মখোয়গী মায়কৈদগী নোংমৈ, বোমগী মখোল তাহল্লকই। হন্দক ইম্ফালগী অৱাং মায়কৈরোম হায়বদি লম্লাই এ সীগী মনুংদা লৈরিবা সনাশাবী, শবুংখোক খুন্নৌ, শান্তি খোংবাল, উয়োক চীংলোমদা সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট ফোর্সকী মায়কৈদগী এক্সন খরা তৌরুবদা নোংমৈ, বোম মখোল লেপখি। মতাংসিদা পঞ্জনীংলিবদি নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা নুমিৎ খরনি কান্ন-কান্নরগা মীতৈ খুলশিংদা নোংমৈ কাপথরক্লিবা মখা মায়কৈগী, মনীং মায়কৈগী মফমশিংদা নীংথিনা মিলিটরি এক্সন চত্থরবদি কুকি টেররিষ্টশিং খরমখৈ মনীং হনখিগনি। মখোয়না তৌরিবমখৈ থিংবীদবদুদা অদুম লম হেন্দুনা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌরিবনি। য়াদে হায়বা অমা খঙহনবা মথৌ তাই। অদুবু লুরিবদি শান্তি পামজবা মীতৈশিংনা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংদা তৌহন্নীংবা কুকি টেররিষ্টশিংগী মথক্তা চত্থহন্নীংবা এক্সনদু ইচৎ চত্থদনা লাকপসিনি। অমুকসু ‘লো এন্দ ওর্দর’ নীংথিনা চংনহনবা হায়বসিদি লৈঙাক্কী মথৌনি। ঈংলবা নীংথমথাগী অহিংদা য়ারেক্তুনা ইমা-ইবেলশিংনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং থাদোক্তুনা চৎখিবা য়ারোই হায়না তারিবা খোঞ্জেলসিবু তাফম থোকপরা।

কুকি হায়বা কাঙলূপসিনা কোনশিল্লিবা মীওইশিংনা মণিপুরদা খুন্দারিবা অতৈ ফূরুপশিংদা মরম অমা নৎত্রগা অমদা য়ূম্ফম ওইরগা হেক্তা খৎনবা হৌবা অসি অদুমক তত্তনা থোক্লি। মণিপুরদা শৈদাংলকপা কুইদ্রিবা মখোয়না লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংবু করিসু লৈতনা খনবা, মখোয়না তৌনীং-তৌনীংবতা তৌবগী থৌদৌনি তৌরিবসি। কুকি কাঙলূপকী মীওইশিং শেঞ্জাও পায়বা য়াম্না লৈরে। মণিপুরগী মতা ফবা চীংমাইশিংদা উমং কোকথোক্তুনা পোপী পাম্বী থাদুনা দ্রগকী করবার চাউনা তৌদুনা শেঞ্জাও খোমজিল্লে। খূৎতা অফবা মখলগী নোংমৈ পায়রে। অদুনা নমদুনা মণিপুরগী শরুকশিং লৌশিন্দুনা মখোয়গী হোমলেন্দ অমা শেমগৎনবা হোৎনবনি। মীতৈ য়াওনা য়েলহৌমীশিংদা য়াম্না থম্মোয় শোকহল্লিবসি মখোয়না নম-হাদুনা লৈশিনখিবা মফমশিংগী লম মখোয়গী ওইবা লোন্দা পংথোন্দা থোনজিনখিবসিনি। মখোয়গী নেরেটিভতা মীতৈশিংনা কৌজরম্বা লম মমিংদু ঐখোয়নসু ঐখোয়গী ওইবা লম মমিং অমা থোঞ্জবা অসিনি। মদুনি ‘থাংজিং’ বু থাংতিং হায়না মখোয়না কৌখিবদু। লাইফম খুনৌ মখা লৈকায়গী শরুকপুনা ‘খোংশাই ভেঙ’ হায়না কৌখি। মসিগুম্বা ময়ামসি পন্দুনা লোইবা নাইররোই। শেংলবা মীতৈগী লাইফমলেন তাইবঙ মীওইবসি কৌব্রু চীংদগী হৌরকপনি হায়না মীতৈশিংনা থাজনরিবা লমদমসি ফাওবদা খৃষ্টিয়ানিতিগা মরী লৈনহন্দুনা মমিং অমা থোনজিনবা ঙম্মী।

কুকি হায়বা কাঙলূপসিনা তৌথোরক্লিবশিংসি খল্লু-উরুরগা মীতৈশিংনা খোইদৌ পংশাওদা শাওনীংবা থৌওং অমনি। অসুম্না মীতৈশিংনা শাওনীং-শাওনীংনা লাকপা চহী অনী শুজিল্লক্লবনি। শাংলবা মতমসিদা মীতৈ কয়া তমথীনা হাৎপীখিবগী নীঙমদবা থৌদোক কয়ানা মীতৈশিংগী থম্মোয়নুংদা ওমদুনা লৈনরিবনি। থৌদোক অমগী মথংদা অমা, তমথীরবা থৌদোক অমবু ময়াই চমহন্নবা অমমুক থোকহনবা, মসিনি মখোয়গী থৌশিল। কুইদ্রিবদা থা ৮, চহী ২ মখায় অমসুং চহী ৮গী অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুকপু তমথীনা হাৎপীখিবা জিরিবামগী জকুরাধোর মীহাৎ ময়াই চমহন্নবা লাইশ্রম কমলবাবুগী থৌদোক থোকহনবনি। মীতৈ মীচম মীয়াম্বু করম্বা থৌদোক্কী অৱাবা ফোঙদোক্কদগে হায়না চমন্নহনবনি। কুকিশিংনা তৌরিবসি মখোয়গী মীওই খরনা তমথীবা মীহাৎকী টেরর এটেক চত্থবা অদুগা খরনা ৱাখল মুন্না খল্লগা ফত্ত-লৌশিং তৌদুনা কোক্কী লান মীতৈশিংগী মথক্তা চত্থবনি। কুকি কাঙলূপ্না কোনশিল্লিবা মীওইশিং মখোয় মশেল পংখৎ খৎনদুনা হাৎন-শুনরম্বদু ঙসিদি মীতৈবু মখোয়গী ‘কমন এনিমি’ অমা ওইনা থমদুনা পুনশিন্নবগী মওংনি ঐখোয়না উরিবসি। মতমগী মতুংইন্না মীতৈশিংগা খৎন-চৈনবা তোক্লকপদা মখোয় মশেল অমুক খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবা থোরকখিগনি।

নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লানসিনা মীতৈদা থোইদোক হেন্দোক্না অৱা চৈথেং পীরবসু অতৈ অতোপ্পা খুন্দা লৈতামিন্নরিবা কাঙলূপ ফূরুপশিংদসু অদুমক ৱাহল্লিবনি। লমদমসিদা শীজিন্নরিবা নোংমগী তঙাইফদনা চঙলিবা পোৎলমশিং মপান লমদগী পুশিল্লক্লিবা ঙাক্তনি। অদুগা মরম অমা নৎত্রগা অমগী নেশনল হায়ৱেশিংদা তৌরিবা বন্দ-ব্লোকেদ অমসুং মদুনা মরম ওইরগা গাড়ী দ্রাইভরশিং, হেন্দিমেনশিংদা অৱাবা পীবা অমসুং পোৎলমশিংগী মমল ইম্ফালদা ৱাংনা ফংবা পুম্নমকসি অদুম চত্থদুনা লাক্লি। নেশনল হায়ৱেশিংদা মথৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা নোংমৈ, বোম মরক্তা গাড়ী দ্রাইভরশিংনা মণিপুর মীয়ামগী তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং পুদুনা লাক্লি। নেশনল হায়ৱেগী দাকু-তরাংশিংগী মখূৎতা দ্রাইভর কয়াগী পূন্সি মাঙখ্রবনি। মসি মীচম মীয়াম্না খঙবীফম থোকই। দ্রাইভরস দেগী নুমিৎতা লৈ মনা অমত্তা ওইরবসু মখোয়গী নীংশিং শক্তমদা কৎপীফম থোকই।

লোইশিল্লকপদা অৱাবা কয়াগী চৈথেং খাঙলিঙৈ অৱাবা কয়ামুক হাপচিল্লক্লিবা মীতৈ মীচম মীয়ামগী পূন্সিনি। য়েংশিনবীনবা মপী-মপা লৈত্রবা হায়বদু ওইরে ঐখোয়গী পূন্সি। ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুরগী লান অসি লোইশিনগে য়াওনা হোৎনবীরবদি নহান্না লোইশিনবা য়ারম্বনি। অদুবু তৌদে। অদুমক মখা শমথরি। লানসিনা মখা শমথরিবমখৈ মীচম মীয়ামদি অদুমক অৱা অনা নংবা হেল্লি। মতম খরগী মমাঙদা মণিপুরগী এম এল এশিং দেল্লীদা কৌদুনা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবনি কায়না মিনিষ্টর ওফ হোম এফ্যেরসনকা কৌখি। অদুবু মথোং খঙদনা লোইশিনখ্রে। হৌজিক্তি মণিপুরগী অনৌবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লা লাক্লে। হান্না হোম সেক্রেটরিগী ফম পায়রম্বা মণিপুরগী লানগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙলবা মীওইনি। মহাক্কী থবক পায়বগা লানসিনা শোকহল্লবা মফমশিং চৎতুনা মীওই কয়াগা উনখ্রে। মণিপুর মীয়াম্না মঙোন্দা আশা কয়াসু থম্নরমগনি। তশেংনা হায়রবদা মীতৈ য়াওনা অতৈ ফূরুপকী মীওইশিং তংদু লৈতানা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনবা পাম্লে। অনৌবা মণিপুরগী গভর্ণরনা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকপা মীয়াম্না পাম্নরি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# মালেমগী ৱাখল ৱাংথোইবশিং - ৪

# ‘মেদাম ক্যুরি’ (নবেম্বর ৭, ১৮৬৭ - জুলাই ৪, ১৯৩৪)



## - রঞ্জিৎ নিংথৌজা -

(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...) ‘ইচে নঙ তূমদ্রব্রো’ মচে ব্রোনিয়ানা পেরিসকী সোরবোন য়ুনিভর্সিটিদা ডাক্তর তম্বা চৎলমদাইগী অহিংদুনি। ফমুং অমত্তদা হিপমিন্নরিবা, অমনা অমবু তূম্নদ্রি খঙনরিবা, মেরিগী পূন্সিদা কাম্হোকপা য়াদ্রবা অহিংদুগী ৱারীনি। “ইচেগী মেরি, ঙসিগী অহিংসে য়াম্না পাম্মুবা অহিংনি। পাবনা লৈত-লৈত ঐবু পেরিসতা চৎনবা হোৎনবীরি। থা-থাগী মথৌ তাবা শেনফম নঙনা থারক্কনি হায়না ৱাশক্লি।” মচেগী পীরোইনবা ৱাহৈশিংদো শমথরক্তনবা মরক থৎলি। “মদু ইচেদা খনবীয়ু হায়ব্রো? মসি ইথৌনি।” মেরিদি নুংশিবনা মরম ওইরগা মপূক্লিং শোন্থববু মীগী মিৎমাংদা পুথোক্তুনা উৎতবীনি। সর্টিফিকেটকী মিংথোল মারিয়া স্কালোদ্রোসকা ওইজরবসু ইমুংগী মীওই খুদিংনা নুংশিনা মেরি-মেরি কৌবীরিবনি। স্কালোদোসকা ইমুং অদুগী মঙাল ওইবী অমগুম মহাক য়াওদবা ইমুংদুগী থৌরাং অমত্তা মায় পাক্তবগুম খন্নে। মমানা টিবি নাদুনা ওষ্ট্রিয়ান এলপকী হেল্থ রিজোর্ট অমদি ফ্রান্সকী থাইসতা লৈবা মতমদা মচে অহল জোফিয়াবু মমাগী লোয়নবী ওইহন্দুনা ৱাখলতনা শোলহল্লবা মপাবু শেন্নবগী মথৌ পুম্নমক মানা লৌখি। ঙসিনা অমুকসু মচে ব্রোনিয়াগী ডাক্তর তম্নবগী অচংবা থা-থাগী শেনফম মানা হোৎনগনি হায়বসিদা ব্রোনিয়াগী মিৎলুনা পিগী ইরোলনুংদা ইরাক্লবা মশানা তাবনি।

মচে ব্রোনিয়া ফ্রান্সতা চৎখ্রে। পেরিসকী সোরবোন য়ুনিভর্সিটিদা মিং চনখ্রে। ৱারসোগী শেঞ্জাও পায়বা জোরোসকীগী মচানুপা অতোনবা কিংসনবু লাইরিক তাকপীবা অমদি ইমুং অদুগী কোল্লিক ৱাইরম শেংবা অমদি ফিজু-ফিজাম্বগী থবক তৌরে। পোলিস জ্লোতি ৫০০ থাগী তোলোপ ওইনা ফংলে। শেনফম অদুনা মচেগী থা-থাগী অচংবা থাখ্রগা মপাগী হীদাক লৈবসু কোন্নবা ঙম্লে। লুরিবদি জোরোসকীগী মচা পিবা অহল কাজমির ফ্রান্সতা এগ্রি তম্লিবদু থোরক্লবদি মহাক্কী থবক তম্বা ঙমদবা অমনি। মরমদি কাজমিরনা মেরিবু নুংশিজৈ। অদুবু মেরিদি লায়রবা ইমুংনি। অদুতসু নত্তনা নীংতম ঈহৌদা শৌগৎপা ইমুং ওইবনা মেরিগা তিন্নহন্নীংদবদগী এগ্রি তম্বা ফ্রান্সতা থাদোকখিবনি। নুংনাংবা অসিনা মেরি থবক চাং নাইদবা অমা ওইহল্লি।

কিংসনগী ৱাহৈদগী মাগী মিসনা মখোয়দা চাং নাইনা লাক্তবসি তোলোপ য়ামদবগীনি হায়রবদা জোরোসকিনা মাগী থৌগন্নাই থাদুনা মেরিদা জ্লোতি ২০০ হাপকে চাং নাইনা লাকউ হায়রখি। মেরিসু চাং নাইনা চৎলগে খনখি। মরমদি মচেগীদমক মান্নবা থবক মফম অমা থিবা হায়বসি মীখা পোল্লিবা ৱারসো লমদমদা অরুবা অমা ওইখি। মেরিদি অঙাং লাইরিক তাকপী-তাকপীনা সাইন্সকী লাইরিক পাবা তোক্তে। অয়ূক-নুংথিল জোরোসকীগী ইমুংগী থবক চৎলুরগা অহিংদা পোদোনগী তেঙ্গালি মরক্তা সাইন্সকী লাইরিক পাখি। কিংসনবু লোয়নবদসু স্কুলগী ওজাশিংনা পীরকপা ক্বেশন অন্সর চিনফা পুহল্লিঙৈদা মাগী বেগতা হাপ্তুনা লোয়নরিবা সাইন্সকী লাইরিকশিং পারি। মদু কিংসননা উখিবদগী কিংসননা মপাদা তমথোক্লুই। মদুনা মেরিগী থবক্তা খুরৌ থাংবা অমা ওইহনখি। জোরোসকীনা সাইন্সকী লাইরিক পায়দনবা অকনবা ৱাফম থম্মী। ৱাফম অসিদা থৌওইদ্রবদি মাগী ইমুংদা ফংলিবা থবক অসি তোকপা তাবনি হায়নফাও হায়খি। সাইন্সপু শোক্ল-শম্নবা য়াদবা পোৎশক অমগুম উরিবা মীওইবশিং অসি মেরিগী য়েক্লবনি।

ফনা ওইদুনসু মচেগীদমক খাঙখিগে খনখি। তাঞ্জাদুদা জোরোসকীগী মচা অহল কাজমির ভেকেশন ফংবগী ৱারসোদা হল্লকই। মেরিনা মাগী মনাওনুপাগী ওজা ওইদুনা লৈরম্বদা নুংঙাইবগা লোয়ননা অঙকপা অমা ফাওখি। কাজমিরনা মেরিগা উননবা কোয়তান তান্নবা হৌখি। মসি তাবদা মপা জে রোসকি অশাউবা ওইহনখি। মপাগী অশাউবা কিদনা অঙাং ওইরিঙৈগী নুংশিজরকপা অদু নোংমতা ময়েং তাহনবা ঙমদ্রবা কাজমিরনা মেরিবু কোয়তান তান্নরি। “ঐদি হিংদনা হিংবা মান্না হিংলিবনি’ মেরিগী ৱাহৈ পরেং অসিনা কাজমিরবু লাপথোকহনবা ঙমদে। অশাউবনা মৈ ওল্লবা জোরোসকিনা হায়খি “নহাক ঐগী ইচা কাজমিরবু নুংশিবা তোকপা নৎত্রগা নচেগী শেল থাবা ঙল্লিবা ঐগী ইমুংদা থবক শূরিবসি তোকপা অমা খল্লু’ হায়রক্লবদা মেরিনা কাজমিরবু তান্নবা তোকপীনবা হন্না-হন্না হায়জবনি। লমহেল্লবা মচাবু জোরোসকিনা কৈশুমশঙদা থম্বগুম অচৌবা কা অমদা ছো লোন্দুনা থমখি। মাগী থৌগন্নাইশিংনা শেন্নহল্লি। মেরিসু লাকখিদ্রে। শিন্মীশিংগী মতুং ইন্দুনা থবক শূবা য়াওরে।

অশাউবনা লুতোন পল্লবা জোরোসকিনা মাগা মরী ফনা তিন্নরিবা রসিয়ান কম্মান্দর অলেকজেন্দরদা সাইন্স তম্বীনি হায়না তমশিল্লে। মানা শেল থাদুনা মচেসু ডাক্তর তমহল্লি হায়নসু তমশিল্লে। অহিং অমদা মেরিবু ফানবা রসিয়ান সিফাইশিংনা মেরিগী য়ূম কোইশিল্লে। মপানা অরোনবা লম্বীদা মেরি নাম্হোকহনখি। নীংতম লাম্মীশিংগা খূৎ থোক্লবগী তাঞ্জাদা মেরি ময়ূম থাদোকখি। কাদা ছো লোল্লগা থল্লিবা কাজমিরনা থৌগন্নাইদা হায়জদুনা ছো হাংহল্লগা মেরিগী য়ূমদা লাকখি। লম্বীদা শকলোৎপা, মখূৎতা খূৎলায় পায়বা মীওই অমা কাজমিরনা চৎপা ৱারদুনা লম্বী মপাল অমদা তুদুনা লৈরম্বদু থেংনখি। শক লোৎপী অদো মেরিনি হায়বা কাজমিরদি খঙখিদে। অদুবু মেরিনদি খঙখি। খৌগংবনা ঈশিং-ঈশিং শোল্লকপা তারদুনা মাগী লম্বীগী চীঞ্জাক ওইনবা ময়ূমদগী পুরকখিবা ঈশিং অদো কাজমিরদা লোন্না পীথক্লম্মী। থাবলগী মঙালদা উরিবা কাজমিরবু পূক্লিং পেন্না য়েংলম্লগা মেরি চৎখি। অরোৎ অফোং লম্বী কয়াদা নুমিৎ কয়ানি চৎলবা তুংদা মেরি ফ্রান্সকী পেরিসতা থুংখি।

মতমদো মচে ব্রোনিয়াগী ডাক্তর তম্বগী লোইশিল্লকপা মতমনি। মচেনসু মহাক পেরিসতা থুংলরে হায়বা খঙখি। সোরবোন য়ুনিভর্সিটিদা ওইখিবা মেরিগী পূন্সি মহিংদি ‘সাধু’ অমগা পাঞ্জক ওইখিবনি। লায়রবগী চৈথেংনা ‘বল্ব’ থানবা কা অমদা লৈবফাও ঙমজখিদে। খ্বাইদগী হোঙবা, থা অমদা ফ্রাঙ্ক ১৫ খক্তা লৌবীবা, তরুকশুবা মথোলদা লৈবা ‘বল্ব’ য়াওদবা কা অমদা লৈখি। নুংথিলগী মতমদদি অপীকপা থোঙনাওদগী চঙলকপা মঙালনা কাদুবু খরদং ঙাল্লবসু নুমিদাংগী মতমদদি পোদোনগী মতেংনা কাদুদা লাইরিক পাবা ঙমখি। ঈংলবা নীংথমগী মতমদা হিট্টর লৈতবদগী মৈতান মতুম ৩/৪গী মতেং লৌবা অহিংশিংদা ইক্বেশন কয়া হোৎপা ঙমখি। মপূং ফাবা চাক্কী থৌরাং ঙমদবনা অঙাং ২/৩না চা গ্লাস অমগা লেনবা তাখি। হাপ্তা অমদা য়েরূম অমত্তং মাগী চীঞ্জাক্তা হাপ্লবা থৌরাং তৌবদা অৱাবা ওইখি। চাক কাউথোল্লগা লাইরিক পাবনা মতম হৌখিবা খঙহৌদবদগী ক্লাসতা ৱান্থরকখিবগী থৌদোকসু থোকখিবনি।

মালেম পুম্নমক্তা মতম অদুগী খুন্নাইগী মশক থোং মান্নবা হায়বদু শুকনৎ নৎখিদে। নুপীগী থাক নেম্না থমখি। নুপা অমদি নুপীগী মরক্তা খেন্নবগী মীৎয়েং য়াম্না চাউই। নুপীশিংনা সাইন্স হায়বা অরুবা সবজেক্ট অসি তম্বা ঙম্বগী থৌনা লৈরোই হায়না নুপাশিংনা খনখি। ফ্রান্সতা নোংমা নুপী অমখক্না য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্রাকোগী সাইন্সকী লেকচর সিরিজ অমা তাজগে হায়না এপ্লাই তৌখি। অদুবু ওর্গনাইজিং সেক্রেটরিনা লেকচর অদুদা নুপী য়াওবা য়ারোই, তাবা হৈরোই হায়না য়াখিদে, য়াওহনবীখিদে। নুপী অদো ফিজিক্স অমদি কেমিষ্ট্রিদা নোবেল প্রাইজ অনী ফংলিবী মেদাম ক্যুরিনি। মেরিদি শেৎনা খায়নবগী মৈনুংদা চঙল-চঙলগা হেন্না হেন্না লংখৎখিবীনি। নৈহৎ তুহৎপীবনা মাগী মীংচৎকী লৈহাও ওইখি। খঙনবা থিবদা অকিবশিংবু নেৎশিন্দুনা চৎখি। মশানা তৌরিবা থবকপু থাজবা মাঙহন্দবা হায়বসিনা মাগী মিংচৎকী খূৎলায়নি। ইনখৎলকপা মতমগী পাম্মুনা কায়খিবা কাজমিরগী অরোইবা অহিংদা ময়েক শেংফাত্তনা উখিবা থাবল মচুগী শক্তম অদুবুদি মূখৎপা ঙল্লোইদবা মচু অমগুম ‘বল্ব’ য়াওদ্রবা পেরিসকী কা মচাসিদা ইরং লংনা নীংশিংলি। (মখা চত্থজখিনি) ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫ গী ৱাহং

১) **“ওক্লসিগে নঙবু করম্না**
**হে অনৌবা চহী**
**নীংথিবী ফিজোলদা আশাগী**
**চংখোল্লবা নকেদা অনৌবা ৱাশক্কী...॥”**

শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেংনি। অইবা অসি কনানো? য়াওরিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **“শক্তম মচু মচুগী”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৩) **“লৈকোল নুংদ”** (১৯৬৮) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) **“কমলাকান্তগী কোর্বেক”** হায়রিবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোল অমদগী মণিপুরীদা হন্দোকপনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অইবা অসি কনানো?

৫) **“য়েন্নিং থানা হল্লক্লবদা”** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ষ্টেটকী পাউ

### মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা সর্ভিকেল কেন্সর এব্র্যেরনেস মন্থ পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):** শীজ হোস্পিটালস এন্দ রিসার্চ ইন্সটিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদ অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হেল্ঠ সেন্টরদা সর্ভিকেল কেন্সর খঙদোকপা অমসুং মসিগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না শীজ হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ ইন্সটিট্যুটকী এ জি এম-বিজিনেস দিভেলপমেন্ট প্রেমজিৎ লৌরেম্বমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফেকলটি মেম্বর অমদি মহৈরোয়শিংদা কেন্সর মখল অসিবু মাঙজৌননা মশক খঙদোকপা অমসুং লায়না অসিগী মরমদা মরিক চুম্না ৱাখল লৌশিং পীনবগী অশানবা মীৎয়েংদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হোস্পিটাল অসিগী ওবষ্টেট্রিসিয়ান এন্দ গাইনোকোলোজিষ্ট ডা. দিপেন্টি লাইরেঞ্জমনা থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা মহৈরোয়শিং অমদি ষ্টাফ ৫০ রোমদা সর্ভিকেল কেন্সরগী মতাংদা মরিক চুম্না পাউদমখি।

ডা. দিপেন্টিনা লায়না অসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফমশিং থল্লদুনা লায়না অসিগী লাইওং, মসিনা ওইহল্লকপা ফত্তবশিং অমসুং লায়েং পথাপ চত্থনবগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং মচা খায়না শরুক য়ারিবশিংদা থমখি।

অমরোমদা, ঙরাংসু কুম্বি প্রাইমারি হেল্ঠ সেন্টরগা ইন্সটিট্যুট অসিগা খুৎশম্নদুনা কুম্বি পি ঐচ সীদা এক্রিদিটেদ সোসল হেল্ঠ এক্টিভিষ্ট (আশা)শিংদা সর্ভিকেল কেন্সর মশক খঙদোকপা অমসুং লায়না অসিগী মতাংদা পুক্লিং লৌশিং ওইনবা থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে হায়রি।

হোস্পিটাল অসিগী ওবষ্টেট্রিসিয়ান এন্দ গাইনোকোলোজিষ্ট ডা. ইরোম অম্রিতানা থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা আশা ৩০ রোমদা লায়না অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ডা. অম্রিতানা আশাশিংদা লায়না অসিগী হৌরকফম মপুং ফানা থমখিবগা লোয়ননা মসিনা থোকহনবা য়াবা খুদোংথিবশিং, লায়না অসিগী মওং মতৌ, ঙাকথোক্লবা হীরমশিং অমসুং লায়না অসিবু ঙাকথোক্লবা লায়েং চত্থনবগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং থমখি।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাফমদি অশাশিংনা লায়না অসিগী মতাংদা মরিক চুম্না ৱাখল লৌশিং লৈদুনা মখোয়না মীয়ামদা লায়না অসি শন্দোকপা থিংবদা অচৌবা থৌদাং লৌনবনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা আশাশিং অমসুং দোক্তরগী মরক্তা ৱাহং-পাউহং তৌদুনা খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা কেন্সর মখল অসি করম্না ঙাকথোক্কদগে অমসুং মসিদগী করম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা অশাশিংদা শুগায়না খঙহনখি।

### অসাম রাইফলসনা শেংদোক ৱারোল থম্লক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ১২দা পাউচে অসিদা কসোম খুলেন্দা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা ফোঙখিবা পাউ অমদা ‘কসোম খুলেনঃ এম এল এ লৈশিয়োনা অসাম রাইফলসতা নখোয়গী নথৌ নত্তে হায়দুনা চৈখ্রে’ হায়না হেদলাইনগী মখাদা ফোঙখিবা অদু অসাম রাইফলসনা য়ানিংদবগা লোয়ননা পাউ অদু য়ুম্ফম য়াওদবা অমসুং অরানবনি হায়না অসাম রাইফলসকী পব্লিক রিলেসন এন্দ মীদিয়া ষ্টাফ ওফিসরনা শেংদোক ৱারোল থম্লকপগা লোয়ননা নুমিৎ অদুদা খুঞ্জাশিংদা মখল অমত্তগী অথিংবা অমসুং অৱাবা পীখিবা লৈতে হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, কসোম খুলেনগী হোংবৈ খুলদা থা অসিগী ১১দা অসাম রাইফলসনা মথৌ তৌদুনা লৈরিঙৈদা উ অখায়বা হাপ্পা ত্রক অমা পার্সনেলশিং অদুনা থিজিন হুমজিনখিবগা লোয়ননা গাড়ী অদুদা মরুওইবা অমদি ওফিসিএল ওইবা চে চাংশিং অমত্তা য়াওরম্বা থেংনখিদে। লোগী ওইবা চে চাংশিং অমত্তা য়াওরমদবনা গাড়ী অদু অসাম রাইফলসনা খামদুনা থমখিবনি। অসাম রাইফলসনা মথৌ তৌরিঙৈদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা গাড়ী অদুবু চৎহনখিনবা ইহৌ শাগৎলকখিবনি। মীয়াম অদু লাকশিন্নবা অসাম রাইফলসনা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎখিবনা হায়না ফোঙদোরক্লি।

অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা এদমিনিষ্ট্রেসনগা কুপ্না ৱারী শাদুনা থৌদোক অদু য়াশিন্নখি হায়রি। মীদিয়া হাউসশিংনসু পাউ ফোঙদ্রিঙৈগী মমাঙদা মরিক চুম্না অশেংবদু খঙদোক্লগা পাউ হাপ্নবা অপিল তৌরক্লি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অদুগী মতাংদা এম এল এ লৈসিও কৈশিংগা ৱারী শানখিবা অসাম রাইফলসকী ওফিসর অমসুং পার্সনেলশিংদা এম এল এনা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবগী ভিদিও ক্লিপিংশিং নুমিৎ অদুদগী হৌরদুনা সোসল মীদিয়াগী তোঙান তোঙনবা প্লেটফোর্মশিংদা ভাইরেল ওইরকখিবনি। মসিগী মথক্তা থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুবু কোল্লিবা লুপশিংনসু এ আরগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবনি।

### দ্রাইভরস দে থৌরমগা মরী লৈননা হেলঠ কেম্প পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):** ইন্টর ষ্টেট বস দ্রাইভরস এন্দ ৱার্করস য়ুনিয়ননা ৩৬শুবা দ্রাইভর্স দে থৌরমগা মরী লৈননা খুরাইদা লৈবা খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিগা পুন্না শীন্দুনা হেলঠ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি কোঞ্জেংবম কান্তগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১০ তারকপদা ইন্টর ষ্টেট বস দ্রাইভরস এন্দ ৱার্করস য়ুনিয়ননা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা খুরাই হৈক্রুমখোংগী ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লবতা দ্রাইভর দেগী থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা দ্রাইভরগী শিনফমদগী পোত্থারবা থৌনাওজম শামু, কোঞ্জেংবম তোম্বী অমসুং সেন্টর ওফ ইন্দিয়ান ত্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিনসু ক্লব অসিদা হেলঠ কেম্প অমসু পাঙথোকখি। হেলঠ কেম্প অসিদা মোটোর ৱার্করশিং অমদি মীয়াম্না লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনখি। থৌনাওজম শামুনা হৌদোকখিবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অদুদা মীওই ১০০গী মথক্তা হকশেলগী খুদোংচাবশিং পীখিবগা লোয়ননা হীদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

থৌরম অসিদা য়ুনিয়ন অসিগী লৈখিদ্রবা দ্রাইভর অমসুং থৌমীশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্লবা মতুংদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি। সেন্টর ওফ ইন্দিয়ান ত্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা ইন্টর ষ্টেট দ্রাইভরশিং অমসুং থৌমীশিংনা মণিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিনা মায়োক্লহল্লিবা অৱাবশিং অসিদগী খরদা ওইরবসু কোকহনবা য়ানবা দ্রাইভরশিংদা লৈঙাক্না মতেং পীবিবা অমদি অশোক অপন নংখ্রবশিংদা মতীক চাবা কম্পেন্সেসন পীবিনবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিদা মোটোর ভেহিকল এক্ট এমেন্দমেন্ট ২০১৯ হন্দাক্লবসু তকশিনখি। এক্ট অসিনা মোটোর ৱার্করশিংদা অমদি দ্রাইভরশিংদা শোকহনবশিংবু মমুৎ তানা ফোঙদোকখি। এক্ট অসিনা মোটোর ৱার্করশিং অমসুং শীন্মীশিংবু নাথৈদুনা শেঞ্জাও পায়বা গাড়ী মপুশিংবু শৌগৎলি। এক্ট অসি য়ুনিয়ন অসিনা মেম্বরশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংদা খঙহন্নবা খোঙথাং লৌখৎলসি লোয়ননা দ্রাইভরশিংগী য়েংদুনা লৈঙাক্না অফবা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা অপিলসু তৌখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।